**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 31-03-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ৩১-০৩-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী ইদুল ফিতর কুম্হৈ, মালেমগী লৈবাক কয়া য়াওনা মনিপুরদসু ঙসি পাঙথোক্লি।

রাস্ত্রপতি, উপ-রাস্ত্রপতি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

২) রাজ্য অসিদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গারিশিং সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোইননা লেপ্পা লৈতনা ইম্ফাল তমা পুশিল্লক্লি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ছতিসগরদা লুপা কোতি লিশিং ৩৩,৭০০ হেনবগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা যাত্রা হুনখ্রে।

**ইদ (এল)ঃ** ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী ইদুল ফিতর কুম্হৈ, মনিপুর য়াওনা লাইনিং অসিবু চৎপা মালেমগী লৈবাক কয়াদা ঙসি পাঙথোক্লি।

রাজ্য অসিদসু ইস্লাম লাইনিং চৎপশিং মপুং ওইনা মৈতৈ পাংঙলশিংনা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা কুম্হৈ অসি মহৌশাদগী চৎনরকপা লাইনিং লাইশোনগী থবক থৌরমশিংগা লোইননা পাঙথোক্লি। অয়ুক অঙনবা মতমদগী হৌদুনা ইমুং মনুং, মরি মতা অমদি খঙন চান্নবা মীওইশিংগা পুন্না নুংশি চান্নবা অমদি শান্তিগী

পাউজেল শন্দোকবা অমদি চামিন থকমিন্নবা মথেল লুকোইশিং লাঙদুনা শেম শানরি।

কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমদি উপ-রাস্ত্রপতি জগদিপ ধনখরনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মপুং ওইনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা অমদি লৈবাক অসিগী মপালদা লৈরিবা মুস্লিম জাতিশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাকা হায়-ইদুল ফিতর অসি রাম্মদানগী শেংলবা থাবুম অমা চুপা চথরকপা চারা হেনবগী অরোইবা নুমিৎনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মীওইবা খূন্নাইগী মরক্তা হেন্না অফবা মরি নুংশি চান্নবা অমদি শান্তি পুরকপা ওইরসনু।

কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানসু মনিপুরগী মীয়াম মরুওইনা ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-শেংলবা রামাদন থা লোয়রকপগা পাঙথোক্লিবা ইদুল ফিটরগী কুম্মৈ অসিনা য়াইফবা, হরাউ তয়াম্বা অমদি নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু। ঙসিগী মালেম অসিদা নুংশি চান্নবগী পাউজেল অসি য়ামমক মরুওই। কুম্মৈ অসিনা রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপশিংগী মরক্তা মচিন-মনাও ওইবগী মরী অদু হেন্না চেৎশিলহনবগা লোয়ননা নুংশি চান্নবা ইং তপ্পা, অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা পুরকপা ওইরসনু।

কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মণিপুর বিধান সভাগী অধক্ষা থোকচোম সত্যব্রত্তা, এম.এল.এ. য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং কে. রোবিন্দ্রোনসু লমদম অসিদা লৈরিবা মীতৈ-পাংঙল ইচিল ইনাওশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মখোয়গী পাউজেলদা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা ইং-তপ্পা, নুংশি চান্নবা অমদি চাউখৎপা অমদি মচিন-মনাও ওইবগী মরী অদু হেন্না চেৎশিলহনবা ওইরসনু হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গারিশিং সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোইননা লেপ্লা লৈতনা ইম্ফাল তমা পুশিল্লক্লি। মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গারি ২৮৩ ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংগী মফমশিং য়াওনা চিংনবা মফমশিংদা আইন কাইবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী অকনবা চেকশিল থৌরাংশিং লেপ্লা লৈতনা লৌখৎলি।

পুলিসকী পাউ অদুনা মখা তানা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিরিবাম জিলাগী নিংশিং খুলদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)লময়ানবা খুমন ফেক্সনগী মীওই অমা ফাখি। থা অসিগী ২৯ দনা বিষ্ণুপুর জিলাগী উপোকপী খুলদগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা ফাখি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা ফাগৎখি।

কাংপোকপী জিলাদগীনা জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা দ্রগ ট্রাফিক্কর ৬ ফাগৎখি। মখোয়দগী ব্রাউন সুগর ওইগনি চিংনবা সাপোন কেপ ১৭৪ ফাখি। থৌদোক অদুগা মরি লৈননা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে। জিলা অসিমক্কী সোংজাং খুলদগী আইন কাইনা পোপী থারম্বা মীওই ৪ ফাগৎখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-তেংনৌপল জিলাদা জিলা অদুগী পুলিস স্তেসননা কোনবা বি.পি.জে হারনেসতগী মোলনোম সেনাম ফাওবগী মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কন্ত্রিমেট হেবি মোর্তার লোঞ্চর অহুম, মেতল আই.ঈ.দি মঙা, কে.জি মঙা লুম্বা আই.ঈ.দি অমা, মেগজিন য়াওবা সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম কন্ত্রিমেট পিষ্টোল অমা, এ.কে.-ফোর্তি সেভেনগী মরু মরি, এস.এল.আরগী মরু তরুক য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

**অফস্পা (এল)ঃ** মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী য়েংলগা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য অসিদা আমর্দ ফোর্সেস স্পিসিএল পৱারস এক্ট (অফস্পা) ১৯৫৮ কী মখাদা দিস্তার্ব এরিয়া ষ্টেটস মখা তানা থা তরুক অমগা শাংদোকখ্রে।

এদিসনেল সেক্রেটরি-পিয়ুস গোয়লনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-কেন্দ্র সরকারনা মনিপুরগী শান্তি রক্সাগী ফিভম কুপা য়েংশিল্লবা মতুংদা আমদ ফোর্সেস স্পিসিএল পৱারস এক্ট ১৯৫৮ কী সেক্সন অহুমগী মখাদা মনিপুর পুম্বদা দিস্তর্ব এরিয়া হায়না লাউথোক্লে। অদুমওইনমক, তম্পাক্কী জিলা মঙা-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং জিলাগী পুলিস ষ্টেসন ১৩ না কোল্লিবা মফমশিংদি দিস্তর্ব এরিয়াগী মনুং চল্লোই। হায়রিবা হুকুম অসি এপ্রিল অমদগী চৎনবা হৌগনি।

**এক্সপো (এল)ঃ** কেন্দ সরকারগী টেক্সতাইল মন্ত্রালয়গী দিবলপমেন্ট কম্মিস্নার (হেন্দলুম) গী শেন্থং মখাদা ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো (হটকরঘা মেলা) ঙরাং ইম্ফালগী জি.এম. হোলদা হৌদোকখ্রে।

মনিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদনা শিনদুনা নুমিৎ ১৪ নি চুপা চথ্নগদবা মেলা অসিদা তোঙান তোঙানবা হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফট আর্টিসানশিংনা শাবা পোৎলমশিং উৎলি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ছতিসগরগী বিলাস্পুরগী জিলাদা লুপা কোতি লিশিং ৩৩,৭০০ হেনবা প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা যাত্রা হুনখ্রে। প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদা মৈ, লম্বী, রেল, থাউ অমসুং গ্যাস,

ইদ্যুকেসন অমসুং হাউজিং য়াওরি। থৌরম অদুদা মীয়ামগী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ছতিসগরগী নক্সলাইটনা শোকহল্লবা মফমশিংদা তুং কোইনা শান্তি লাকবগী লন্থী উরক্লি। মহাকা হায়-রাজ্য অদুগী মনুং হঞ্জিনবা ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা লন্থী, ইলেক্ট্রিকসিতি, মোবাইল নেটৱার্ক য়াওনা হকশেল অমসুং অতৈ খুদোংচাবশিং পীরি। হৌখিবা চহীশিংদা নক্সলাইটনা শোকহল্লবা মফমশিংদা স্কুল কয়া হাংদোকখ্রে। মহাকা মখা তানা হায়-ঙসিদি ছতিসগরদা অহোংবা কয়া উরি। ধরতি অবা জনজাতি উৎকর্স অভিয়ান হৌদোক্তুনা ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলি। থৌরম অদুদা গৃহপ্রভেসকী বিনিফিসরি লাখ ৩ গী প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা গামিনসু পাঙথোকখি অমদি প্রধান মন্ত্রিনা স্কিম অসিগী বিনিফিসরি লাখ ৩ হেনবদা য়ুমগী সোশিংসু খুৎশিন্নখি।

**মুরমুঃ**রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ নিনিগী মুম্বাই খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। খোঙচৎ অসিদা শ্রীমতি মুরমু ঙসি নুমিদাংৱাইরম মুম্বাই সহরদা থুংগনি। রাস্ত্রপতিনা হয়েং মুম্বাইদা পাঙথোকপা রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া(আর.বি.আই) লিংখৎখিবগী ৯০শুবা মপোক কুমওন পালনগী লোইশিনগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

**মাওইষ্টঃ** লূপা লাখ ৬৮গী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা মাওইষ্ট ১৩ য়াওনা পুন্না মাওইষ্ট ৫০ ছতিসগরগী বিজাপুর জিলাদা ঙরাং সরকারদা চংজখ্রে। রাজ্য অদুদা মাওইষ্টশিংনা খ্বাইদগী য়ামা সরকারদা চংজরকপা অসি মসিনা অহানবা ওইরি। বিজাপুর জিলাগী সুপরিন্তেন্দেন্ট ওফ পুলিস জিতেন্দ্র কুমার য়াদবনা হায়-সরকারদা চংজরকখিবা অসিদা মাওইষ্ট পি.এল.জি.এ বট্টালিয়ন অমসুং মাওইষ্টকী অতৈ কম্পনিশিং য়াওরি। চংজরক্লবা মাওইষ্টশিং অসিদা রাজ্য অদুগী সরকারগী রিহেবিলিতেসন পোলিসিগী মখাদা লূপা লিশিং ২৫ গী

শেনফম পীগনি।

মরক অসিদা, কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা ছতিসগরগী বিজাপুরদা নক্সলাইট ৫০ পুন্না সরকারদা চংজরকপা অদুদা তরামা ওকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরকি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা রাজস্থান রোয়েলসনা চেন্নাই সুপর কিংসপু রন ৬ তা থোইখ্রে। গুৱাহাতিগী বরাস্তারা ক্রিকেট স্তেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা হান্না বেতিং তৌখিবা রাজস্থান রোয়েলসনা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৮২ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা চেন্নাই সুপর কিংসনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৭৬ তম্মক লৌবা ঙমখি। ঙসি মুম্বাই ইন্দিয়ন্স অমদি কোলকতা নাইট রাইদরস মুম্বাইগী ৱাংখেরে স্তেদিয়মদা শান্নগনি। মেটচ অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মখায়দগী হৌগনি।

## --নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙরাং শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবগী কুম্মৈ লৈখিবনা ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচে অয়াম্বা ফোঙনদ্রে।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা-সেন্তরনা মণিপুরদা অফস্পা থা ৬ অমুক শাংদোকখ্রে হায়না ফোঙলি। পাউ অসি তামেংলোংদা ফোঙবা পাউচে গানফিউ মেল, তামেংলোং তাইমস পাউচে অসিদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুরদা মহৌশাগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিল্লকপা হৌরক্লি হায়না হোম মিণিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী

অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি গানফিউ মেলদা মণিপুরগী শান্তিগীদমক মতম চানা পসিদেন্ট রুলগী লৈঙাক থমখিবনি: অমিত শাহ -হায়না ফোঙলি।

নিউক্লিয়র দিল্ট সহী তৌদ্রবদি ইরানদা বোম্বিং চথুগনি হায়না দোনাল্ড ত্রম্পনা কিহনখ্রে হায়বা পাউ অমসু তামেংলোং তাইমসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**